অকোংবা— অইবা



অইবগীনি।

কপি— ৫০০

মে— ১৯৮২

ফংকম— ইম্ফালগী লাইরিক য়োনবা চুকানশিং

নমকম— খোংনাংথাবা প্রেস, খুরাই লম্লোং কৈথেল, ইম্ফাল।

অনুহংক

[illegible]

হৈ চাঙ্গস পেল্লিদ

চাওরবা শক্তিগী খুবামন্থুংশিদ
ঐখোয়বু হুমাং ওয়ো-ওরো তাথে চপশিনবিরে
ইশানা ইরাল লৈরুবস্তু নত্তে
লৈ হায়বস্তু খওদে, ওমজয়োই
লৈত্তে হায়বস্তু কি হায়কদে।

ঐখোয় চানি, হিংনি
চাননবা হোৎননি
হিংননবা হোৎননি
চাবা ফংদ্রে শাওরুনি
পুক থল্লে হিঃ হিঃ নোকনি

লাওথি অহুঙৈ
মথাই থাইনঙৈ
আঃ মথাই থাইনঙৈ

মীয় কোলুদ-চুবা তানবা শুমহ্নুা
ঈ তাবমখৈ শিজিন্নবদৈ
অহৈঙ
খ্বাই নোংজেং পিবানা
লৈবাক নিংথৌ লৈঙাক মপু
তাউহুইরেংবু তাথি-তাওই তেনকাপ্পহ্নুা তাকহনখি

মীবু মীনা নৈহৎপিবা
নৈহৎপিবদগী শাওবকপা
শাওরকপদগী শিবমদাই খোঙ্গাও
খোল্লাও থানা
১না ৯ ওলহল্লু
অংকপনি লৈবাক খুনায় অসিগী নুংশিৎসিস্থ

মফম খুদিং নহারোল লালহোবা
পেন্নদবগী, থাজনদবদগী লালহোবা
মথাই থাইনঙৈদগীস্থ লালহোবা
হুজিকস্থ
ঙবাংস্থ
হয়েংস্থ

ঙরাংত নল্লাও
ঙরাংতবু ঙাইরিনে

নিংথৌ পানখিবগী অরা-পোৎলুম থাখিবা
পোথাবা ফংদ্রিদৈ
থোংগৎলকই গনতন্ত্রগী অনৌবা পোৎলুম
মীয়াম্মা য়াবা শাগে পিবা য়েংহনা ৱায়েন্নবা

গনতন্ত্রগী লৈবাক্ত
চহি কয়া পুন্সিরবা
হন্নুবী অহনা মতোম্মতা শোঞ্জে
নপা য়ানি মচাশা শিগেজন
য়োং মচা নখোয়না লৈবাক ঙাকপদৈ
ঐখোয়না অস্থুক ৱারিবা নত্রাও
শিদ শিজগ্রগে
করিনো ঐখোয়না হুংঙাইরিবসিবু

চহি মঙা অমনা
ঐখোয়গী মীহুৎ গধানা লৈঙাকপা
অহুস্থ অহু মঙাই
চহি মঙা অমনা অমহুইনা লৈঙাকপ
অহুস্থ অহুমঙাই
মশাগী হুংঙাইনবা অহুস্থ অহু মঙাই

চহি ৫ অসিদা য়োংনা
'সিস্থ সি মঙাই

'সিস্থ সি মঙাই
নিংথৌ পানবা মুংঙাইবনিদা
চাবা থকপস্থ রাক্তে
শেংপা চাবস্থ নিং-থুংই
থকসি থাসি নাইনৈ
অহল লমন মশক খঙনৈ

থরনা অমুক
মী অমগী শক্তি পামদে
মীয়াম্না খঞ্জবা মীহুত্তা
লৈবাক শক্তি শিন্নসি
লৈবাক শক্তি শিন্নসি।
মীয়ামগী মীহুৎনা লৈঙাক মপু
অপান অপান চাওনবা
'সিস্থ শুকপাম পামদে
'সিস্থ ইপাম পান্নরক্তে

থিরি অনৌবা তন্ত্র

মহারাজ তন্ত্র
গনতন্ত্র
তাৎ তন্ত্র
লম্নাই তন্ত্র

লাক্লো অরোইবা তম্র
করি তম্রনো মীওই মশেল মুংশিননবা
লৈত লাইর য়েংহুনা-মুংঙাইনা পানমিন্নগদবা

মতাং অসিদ লোয়রে
ঐখোয় খরদি চোকথরে
চোকথখিবদৈ য়া কাহুন
ঊশি শিনা হম্নিং ইলবমখৈ
মুংঙাই তুমথুম তাল্লিনে
গনতন্ত্রগী 'নিং-তম্বা বাখলগী' হায়জিন্নবগী
নামিবা মুংশিংদা য়েবদা পংথখিহুনা

মুংঙাইরে—
ঙসিদি মুংঙাইরে
চহি মঙা খুদিংগী অনাখা লাইওং
লাইওং লাইখেৎ খঙদবা

শিপ্রো নখোয়দা
গনতন্ত্র পাম্বা কাংবুশা
নিং তম্বগী নমথাক্ত থাজবা কাংবুশা
হৈ চাওম পেল্লিদ : 

লৈঙাক মপুদা
থাজবা করিনো !

ঐখোয়গী লৈঙাক মপুদা
ঐখোয়গী থাজবা করিনো
২০ শুবা শতাব্দী অসিদা

খণ্ডদে
করিমত্তা খণ্ডদে
চারি শুরি হিংঙি
চারি শুরি হিংঙি
মথোং অমত্তসু খণ্ডদে

হৌখিবা ইতিহাস কয়াদসু
মীচম প্রজা কয়ানা
লৈঙাক মপু কয়াগী মখাদসু
খুয়া তুশিংনা পানখিবগী ৱারী
ঐখোয় কয়া তারক্লে, তাদরি

চরা অমত্তং থম্না চারগা
শেৎনিং অমত্তং পাম্না শেৎলগা
লৈবা কাংবুন্দ ওইরমগনি
লৈবাক্কী অশেংবা অর্থ খঙলিবা

মুঙাইনা পাম্নিংইদ
মুঙাইনা হিংনিংইদ
মুঙাইনা লৈনিংইদ

ঙসিদি ঐখোয়গী পুন্সি
মরেক মহাও খঙদবা
লাইওং খঙদ্রবা অনাবদা
হিদাক্কী চাংয়েং তৌহুনা পুন্সি'সিম
লোইখিবা তারি অম্মুমক

কংগ্রেস, কম্যুনিষ্ট, সোসিয়েলিষ্ট, জনতা, দল কয়ান
মখোয়গী করম্বা মেনিফেষ্টোদা য়াওরমগনি
মীওইবস্থ নিংতম্না মুঙাইনা হিংনবা
মুঙাই য়াইফবা লৈবাক অমা ওইরক্নবা
করম্বা পার্টিদনো ঐখোয়না থাজগদৌরিবা ?

মিৎকুপ অমত্তং
অহাংবা চে মচেৎ থরদা
অয়েকপা লাই অমগী মপাদ

অমুক্তং নম্বা
অমুক্তং নম্বা

অহাংবা চে মচেৎ খরদা
অয়েকপা লাই অমগী মপাদ
অমুক্তং নম্বা

চে মচেৎ খর হেনখিবনা
লৈঙাক মপু ওইখিবা
ঐখোয় পুম্নমক্কী চহি মঙাগী রাখল
চেক্তেৎ অমথক্লা মিৎকুপ অমদা ওন্নখিবা
মহুনা ঐখোয়গী ভগ্য বিধাতা শেমশি
ঐখোয়গী লৈঙাক মপু থাজদ্রে
করিমগুা থাজদ্রে
শুকথা থাজদ্রে

নমথরিবা সোরোক্কি মচি অমদা
গনতন্ত্রগী চহি হাপ্লবা
মীওইবহুনা ঙাইরি
শিঙ্গিরৈঙদ সরক অসিদ অমুক্তং
রাম রাজ্যগুম্বা লাক্লরোইদ্রা ?
রাহংসিনা ভক্তনা হংনরিবা :

মোইরাং [illegible]

লাইগী অমা ফুরবিবা '[illegible]' অমগী অমতকুনি
মীয়োল কন্না ফুরবিবা '[illegible]' অমগী অমতকুনি
নাইথাং কন্না [illegible] '[illegible]' [illegible]মতকুনি
[illegible], [illegible] ইমৈরোম লাংলেনহন
থরাই থাবা পাম্ফুবা মীচম ম্যুলোই কয়্যাগী
ঈগী ঈরিক কুয়ারা তাক্লি মোইরাং কম্বালসে
মরৈবাকপু শিংথবা মোইরাং মীচম কয়্যাগী
[illegible] নরৈম্না তোক্লি মোইরাং কম্বালসে ॥

ইমোম লাংলেম নহাক্না ওইনা লমদাং ওইবনা
ইমোম থোইবী নকাদা হাপোংথিদো ঐহাক।
অঙোম মোংবাম কোংয়াম্বা
ফুংশিকবা নত্রেদো।
থুমন মচা শোংয়াইহু
ফুংশিনবা নত্তেদো ॥

থম্ব নওন্থ অমুক্তং
য়াম্বুং মোইরাং শিংথৌদি
মমিম্বা মচা উঁদরে
য়াম্বুং মামা থুপপ্লবদি

লাংলেন নওগী নখুত্তা
মোইরাং কম্বাল চুপ্পিদি
শিন্নকনু থোকইদোং ॥

অহুবু, অম্নুক বানা হোৎনজবা মীয়াম্মগী
অম্নক বানা কনজখিবা মীয়ামা
মোইরাং মীয়াম পুম্বগী
লেমজনকম ওইরিবা মোইরাং কম্বালদে
'মুংশিবা অমা' মুংশি বাইথুংজনিংবদগী
খুমন মচা অমদা শিন্নখিবা ভাবা ?

নিংশিংলকই থোইবীনা

নোংম-নোংমগী অম্নুম ঈশিং ঈচাও হেনগৎলকপগুম
পুম্নমকসি থম্লুইদ্রে মমোম লাংলেন থোইবীনা
ঈপাম লমদম লম্মুংশি
অমম্মোমদা থম্বাইনি
পাম্মু মাবু মমুংশি
অমম্মোমদা থবাইনি
ওইরে থোইবী ওসিদি
কম্লবা ঈচেলনা পুথরকপা
নৌ য়াওব্রবা হিনা ঈরৈ অরুবদা

ঈশৈ অরুবদা লৈশিনবগুম
লৈশিনবগুম

শাগৈ ঐশু তুমগ্রবস্থু
লুংশিবা অমা যাংগ্রবস্থু
ঐগুম্বী অমা লৈত্রবস্থু
মোইরাং লমদম লম্লুংশি
মীচম কয়াগী মরক্তগী
মতিক চাবা থগত্নুনা
মোইরাং কম্বাল বায়েল চুম্লী
লৈজহৌসম্থু
মোইরাং থাংজিং মানা নোংদম্বীসম্থু
ফংজহৌসম্ল
কম্বাল অসি মোই'াংগীনি
কম্বাল অসি মোইরাংগীনি

কোয়ো নোংমৈ মুমিত্তা তাজা চাবা ফংলম্নুনা
থম্মোইগী থোয়দাবা থবাইগী লুংশিবা থখদো
মোইরাং থাংজিং চেৎন-কোন য়াইবী লৌখি থোইবীনা
মোইরাং কম্বাল কলহৌনমা মমোম লাংলেন থোইবী
মপুরোইবগী য়াইবীবু।

নিংঙমদবা মৈরিনা হম্না অমুক বাই
হুংশিববু ওবাইনা থম্নুবহ্নই
হুংশি হৈনা তুংইঙথি, মদোম য়াইবী থবাই থা
তাকই মানা থুম্নায়দা লিনি চাবোল ওবোলদা
মঙৈবাকপু হুংশিবনা হেক্লি হুংশিবা অমদগী ॥

পেনা শকপা অশৈবা

পেনা পুরেল থাদ খোং
শক্লি অশৈবনা ওসিকাও
মমি শামথ্রবা 'মীতৈ লাইনিং'
মহাও কমথ্রবা 'মীতৈ লিচং'
হল্লক্লো অমুক মৌমা হল্লক্লো।

ইতিহাসকী লামাই হাংগৎখি
মৈদিংঙু পামহৈবা মনাক্তগী
খোঙনেংনখি, মশাগী লাইনিং লিচং
মীতৈগী লাইরিক মৈয়েক তাক্নখি
নীরমহী হাকপা পণ্ডিত পোথাংগী
খুদোংথীবা লৈখি, ঐখোয়গী ঈনিংখো।

মশানা মশাগী মশকপু তাক্নবা থমথ্রবা
মশানা মশাবু মশক থঙজ্রবা
লেবাক অহুদগী 'চেনখি'
অহুইদে—
মীতৈগী লাইওইরম্বা পণ্ডিত কমা
চীংঙ্গ খোংনা থাবা

কনক খেঙ্‌্‌রা
লাঙ্গোল লুখোই
অসিনচিংবা··· ··· ··· ···
অসিনচিংবা ·· ··· ·· ···
শরাইরবশিং ··· ·· ··· ···
শরাইরবশিং · · ··· ··· ··· ।

শিংলিদা মীতৈঙ্গী ঈ চেনবা নিংথৌ
মীতৈঙ্গী রাখল খনবা নিংথৌ
চহি কয়া অসিদা খিনরি হনবা লৈতনা
ঐখোয়বু অমুক লমতাকপিনবা
অনৌবা পুন্সি অমুক হন্না পিনবা
অনৌবা লিচৎ অমুক হন্না চৎনবা
অনৌবা লাইনিং অমুক হন্না হিংগৎনবা।

তাহল্লি অশৈবনা
চারোল-গুরোল গুথাং রৈ
শৈথাজনা শক্লি,' হক্করুবা
লাক্লো মীতৈঙ্গী ঈ চেনবা মী
লাক্লা মীতৈগী ঈ চেনবা মী
চহি চনিমুক পংশিনল্লবা মনা
ভাসদি তায়ক্লে ঐখোয় পুম্বা
অশৈবগী শৈশক্লে।

মশান মশাগী অশেংবা মশক পামজবা
নহাথোল কয়া কয়ানা থিরি মকম খুদিংদা
লম্মুক্নবা মীতৈগী লাইনিং লিচৎপু ফংনবা।

লাওরি, ময়াম চংদু-।
হয়ক্রো ঐখোয় ঈপা-ঈপু ঙম্নমক
তাক্লসি ঐখোয়গী অশেংবা মশক
মালেম অসিদা অশেংবা মশক।

রাজনীতি দলশিং

চু মসিং থোকপদা
চম্প্রা মথোক্তা
নাসপতি মথোক্তা
শম্ফি য়োম্মলিরগা
মতম থর্ক্ক ঙৈরগা
　　কোলোম্না মচু মচা শেম্লগা
　　অনৌবা চার পুথোক্লবা
　　অনৌবা মউ ফংনবা।

ঙসি ভারতকী লৈমাইদস্থ
রাজনীতি দল কয়া চোংথোরকই
থোরকুই পার্টি ভোৎ ময়াদা
চেংশুম শৌবশুম মকম থুদিং
ময়া লৈবাক হুংশিবা শাবনা কোম্পাই
লমসিবু হুংশিজবা কাংবুদনা
ভারতকী ওইবা পার্টি কয়া
নেসনেল পার্টি, ভারতকী পার্টি
থর হেম্না অমুক পাংথোকপা মিৎয়েংদা
ইন্টরনেসনেল পার্টি, ইন্টরনেসনেল পোলিটিক্স

লো.কল পার্টিদা হেলহল্লি মনিং
শঙাই পার্টি
কৌক্রু পার্টি
কৌক্রু পার্টি এক্স
অসিনচিংবা কয়া'ম ।

ভারতকী ওইবা পার্টি, ফজহল্লি
লাইর-ইনাকখুন' তেম্নবা পার্টি
তোম্বব-হম্বুবা মাম্নবা কাংলুপ
ইন্দিপেন্দেন্ট ফংন্নদা য়াওরক্লবা পার্টি
শাগোম্নরক্লবা পার্টি, লোয়নরক্লবা পার্টি
রামরাজ্য পার্টি ।
অনৌবা অমমুক থোয়কই
গন রামরাজ্য পার্টি (I)
চোংথোরকই গনরামরাজ্য পার্টিদগী
গন রামরাজ্য পার্টি Q
মশা মরেং অমুক শন্দোরক্লনি
সঙ্গ্রাম রামরাজ্য পার্টিগী ।

অসুম্না পার্টিগী মমিংদা হরিজন, অদিবাসি
পুম্নমক থাজনবা পুখোরকই
অহৈবা মরম্নাই বাখল পুখোকপশিংনা

ইন্টরনেসনেল পোলিটিক্সতা অমুক
য়াওনবা পাম্বা মনিং অন্নাওব পানবা
ইমুং-মচুংগী চানিংলাইদি লৈতনা
থংনবা ইমুংগী তবা অনাদা য়াওবা
ইন্টরনেসনেল পোলিটিক্সতা চোংথোবক!
এশিয়াইজম
মোঙ্গোলোইদইজম
ককেসিয়াইজম
অসুম্না পিক্লবা লৈবাক অমদা
পার্টি ময়াম ময়াম চো থারক্লুনা
মীয়াম্বু য়াইক্কনবা হোৎনরক্লি।

পার্টি ময়াম মরক্তগী
পার্টি অমনা পাইক্রে
লৈবাক নিংথৌ ফং—
প্রজানা য়াহুনা
চামদা ১৫ ফহুনা।
কাঙ্গ্লবনিনা কাপ্লে
ভোটনিনে ভোট।
মীয়াম্না থাজবা
লৈবাক্কী ভোট

*রোই মনিং ককপা ঙাক্তস্তু
পুনবু পুল্লবদি মুংঙাইমিন্নৈ
ফেল ওইবা মশেল অমা ওইখিবা
পার্টি মশেল অমগা অমগা পুনশিন্নৈ
ফোরমুলা পুথোরকই পুনশিন্নবা য়ানবা
অত্তুবু, লিদর কাংবুগী নাপলদা
ফোরমুলা কান্নখিদে
মান্নবা মেনিফেস্টো তিনশিন্নবা য়াখিদে
পার্টিদা অসুম থোরকই
পার্টিদা অসুম য়ামথোরকই
করম্বনা মীয়ামগী দাইত পুবিগদবা
অনৌবা পার্টি অমা থোরক্লনা
লৈবাক মীয়ামগী সেবা ফংগদবা
লাওথবিরকও আকাশবানি
নওগী বানি
লোংলরোইদবা
লৈবাক মীয়ামগী চুক ওইগদবা পা.টি।

শৌরা লিদর শিবদা

মপা-মপুদগী লিদর ওইরক্রবা
কৈরাক থারল্লবা শৌরা লিদর
শিঙ্গে লৈবাকশিগী শৌরা লিদর
লৈবাক অসিদা মশক নাইবা মীশক্তি
নহা ওইবা লুচিংপুরেল অমনি
খবর কাগজ কয়াদা, রেডিওগী খোংদা
মৈদান কয়াদ, মশক নাইবা লম্পাক কয়াদ
মাঙ্গোব কয়াদ, রা ভাংথি
লৈবাকসিগী য়াইফনবা, লাইরবা কোক্রবা।

থৌশিল কয়া পুথোকখি
মীয়ামগী শক্লাইরবা শৌরা লিদরনা
খোরম পরেং কয়ামস্থ
লাম্থোকখি মীয়াম মমাংদা
চাক লাম্বা মীদা জগোই য়েংহন্দুনা
চাক লাম্বা কোকহনবা পাম্বে।
মেজিক্কী তল পুথোক্রবা
থৌরাং কয়া পাইখৎলি।
হরিজনশিংবু, আধিবাসিশিংবু শেংদোক্রবা

অনৌবা মন্ত্র কয়া পুথোক্রবা থৌবাং
পাইখত্তবা নত্তে, পাইখংলি—
মাংহল্লিবন্থু কনানো খিজিন্নবা থৌবাংশু
মাগী অনৌবা পুথোকপা গ্রান্দ ম্রাণ্ডরি।
মচিন তুমখংলক্লিবা লিদর
মোংম লৈবাক মীয়ামগী ওইনা থম্বা
ভাঁচবাং অমা শাম্নরুবগী হাপ্তক
থোঙলেমনা কমিসম অমা শেমজুনা
কাদোক ভারুরবনি মতম থর।

মহাক্না রাজনীতি তৌবদা
মীয়াম্না শৌরাদ থাজবা লৈ
মরমদি,
মাগী ইমুং-মমুং, মথুরা, মাম্মা
লোইনা রাজনীতি তৌরম্বী
লৈবাক অসিগী অচৌবা ভার লৌখিবা মীওইনি
অদুনা মীয়াম্না মঙোন্দা থাজবা থম্মী।

শৌরা লিদর নোংম
ইখঙ খঙহৌদনা গাড়ী ওক্সং. চত্তুনা
লৌখিত্রে হাদুনা লাঙথোকখি
লৈবাক মীয়ামদা খঙহনখি।

মহাক অচৌবা লিদর অমদি নত্তে
অত্থবু লিদর থরনা লিদরনি হায়খিভে
ওইখিবনি, শাখিবনি লিদর।

মা লৈখিদবগী পাউ তাবদা
লৈবাক মীয়াম্না অৱাবা পাউজেল চে
কয়া য়োহল্লকখি, মরি লৈনবা মীওইদা
কিরাল তথাই চিংথখি
লৈবাক পুম্বা অৱাবা কোংদোকখি
রেডিওদা হেদৌ হেরাও তৌহনখিদে
চংনবী হৌনবী মতুংইন্না
মাগী সংস্কার লোইরে।
লৈবাক অয়াম্বদা মাগী উৎ পুখি

মাগী উৎকা লোয়নবা মহল কয়া শাগংখি
লৈপাকসিগী অশেংবা তীর্থ কয়াদা থাদখি
মাগী উৎ থাদখি, নম্বুল, ঈরিল ১সুং ইম্ফালদা
মনিপুরগীসু, অতৈ ষ্টেটগীসু।

মহাক্না শিন্ত্রিভৈদ করি তৌরম্মী
মাগী অশেংবা থবক লৈখিদে
লৈখিরবা লিদর শোৱাগী হায়বনু

মানা খঙ্গরম্বা বাখলশিং
মানা নিংজরম্বা মঙলানশিং
মানা তৌনিংঙম্বা থবকশিং
মাগী বাখলসিদি থরনা হায়বৈ
লাইরবব্ দলান্দ লৈহননিংলম্বগী বাখল
দান ধর্ম্ম তৌনিংলম্বগী বাখল।

অকবা বাখল কয়াসি
খনখি-খনখিদেস্থ খঙনখিদে
খঙ্গমগনি হায়বৈ বাখলদনি
মীয়াম্ম শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎলিবা
মহুল কয়া শাগৎলিবা
শৌরাগী মখিংদা থৌরাং কয়া পাইখৎলিবা।

অছুবু,
ইচা শিরগা কপ্পা
ইমা শিরগা বাবা
হুংঙাইতেদা, হুংঙাইতে
থর অমনদি মতিক চাই
শিখিবা, পেরখিবস্থ য়াঙনখি॥

সন্ধি

লৈবাক অমগা লৈবাক অমগা
সন্ধি ভৌনৈ শাঁন্তিগীদমক্ত।

মতেং পাংনৈ
লৈবাক অমগা লৈবাক অমগা
অথোকপা পোৎ পিনৈ, সুংশিননবা।

অতোপ্পা লৈবাক কয়াদ লাওথোকই
লৈবাক অনিশিংগী সুংশিনবগী
লৈবাক অমগীসু লৈবাক অমগীসু
অঙৱশিংমা সহি ভৌনৈ
চহি মরিগী, চহি অনিগী।

সন্ধিগী মায়োক্ত
পেন্দবা নহারোল কয়ানা
হৌরকপা ঈচৌ কয়াদি
যানবা সন্ধি ভৌনখিবা কাংবুনা
নারোলদা শোগৎলি
নারোলদা শোগৎলি।

লৈবাক্কী ওমথৈ

ওমথৈ হায়বসি তঙাইফদবনি
লৈরিবা মী অহুমগীদু অহুমথাই
হুং ফুমনৈ
ওমথৈ অমগা ওমথৈ অমগা থওনবা
য়ুমলোম্বা অমগা য়ুমজোংবা অমগা
অহল লমনগী হাক্তকশী চংনরকপনি।

লৈবাক অমগা লৈবাক অমগগী ওমথৈশিনা
চাওরবা চীংজাও কন্নগী মমাং-মনিং
তুরেল নুংথাইগী ঈচেল তপথাইদা
উথোং য়ুংহনা য়োংশি তারা থাহনা।

লৈবা চন্নবা কাংবুনা
তকথোরকই ওমথৈশিংগী লৈরিদা
লৈয়ি অতুবু চুমথোকবা
মথোয়গী লৈবা চন্নবা।

অশোনবা কাংবুনা হন্দোকপি
মপানদা লৈবা কাংবুনা তকথোরকপি
মাগী মাগী ওমথৈশিংগী মতম

অতাবীদগী হেন্না তকথোরকপা কাংবু
কাংবু অমগা কাংবু অমগা
লম মচেৎ অমগী
লম মচেৎ খরগী
লাই হাক্তুক্তুগী ওসি ফাওবদা
ফি শেম্নবা লেপ্তি।
থাং শৎনবা ভোক্তি
ঈ তানবা হন্দ্রি।

কৌরব পাণ্ডব লান শোক্লখি
লম মচেৎ খর মীহৌনবগী
বাথোক অসি লৈবাক লৈবাকীস্থ
ওসি ফাওবা অতুম্মক লৈরি।

মীওইবনা লাক্লখি
অচুম্বা পুখোক্লবা কয়া লাক্লখি
অইবা ওইনা কয়া থম্লখি
মেপ ওইনা কয়া য়েক্লখি।

অহুবু
ওসি পৃথ্বীগী লৈমাই অসিদা
বাথোক অসি হৃষ্ববদি করিস্থ লৈত্রি।

লেপ্পা লৈত্রি হুম্বা য়াওনত্রি।

লৈবাকীনা লৈবাক্কী বাথোক
ঈথোলগীনা ঈথোলগী বাথোক
লৌগীসু লৌগী বাথোক
লম হেনজিন্নবগীসু বাথোক

কনানসু অরোই' বাতেম্বা পুরক্তি,
অশোনবগী মতিং ফুদোকপা ঙমদবা
অহল-লমন কয়া লৈরোল চনথ্রে
মথোনা লৈবা কয়াসু লুপথ্রে
পুন্নমক মতমগী ঈরোলসুংদ।

অদুবু
থক মুৎপদি লৈত্রি
ঙমখৈ কয়াগী বাথোক
মীওইবনা লৈরিবমখৈ মুৎথিরোই
মীহোৎনা লৈরিমখৈ
অপাম্বনা হেল্লিখৈ হুম্বখিরোই
বাথোক অসি অম্বমক লৈখিনি।
লৈখিনি।

থমবা হৌরক্লে

হিংলিবা কাংবুশা
শিরো নখোয়গী ওয়মক
কায়ত্রে,
নখোয়দি খিংন-খিংন শিরকনি।

নখোয়গুম্বা ইচা-ইচু, থনবনা
ফুরুপ অসি চৈথা তাহৌরনি
করিবুনো নখোয়না লেমজরিবা
করিবু নৈন্থনা পোংজরিবা।

নশাগী অশেংবা লাইনিং থবী
নশাগী অশেংবা লোনচৎ
নশাগী অশেংবা শাজৎ
নশাগী অশেংবা নাৎ

ওয়মক নোংঙোম চৎখ্রে
মীহোৎলোন কয়া হোৎত্রে
তাকশিনবক্কী ঐখোয়গী ফুরুপ
মমি শাদিত্তক থোক্লে
হৈমদোকখিবা থকনবা নোংলৈ অমনা

শতাব্দী অসিদা
মশাগী অশেংবা মশক
মশাগী অশেংবা মমিং
মশাগী অশেংবা লৈকম
পূম্নমক মতমগী ঈচেলদা লুপল্রে।

ঙসিদি
হিংলিবা কাংবুনা হুংনরক্লি
ঐখোয় করি ওইরে
ঐখোয়গী জাতি কল্লিনো?
ঐখোয় কদাইদ লৈরি
ঐখোয়বু পোককমসিদ হিংলিব্রা?

লৈবাক অসিগী অশেংবা ঈনা শেমখিবা
লৈবাক অসিগী মনা-মশিংনা চাওখিবা
ঐখোয় পূম্নমক্না লৈবাক অসিগী থনকম থোকই
মসিনি হুজিকী বাথল।

সহিদগী ইতিহাস

কাংলৈবুংদ মৈবাক অসিগী মরুওইবা
মশক মাইবা মীওই কয়ানা
বৃটিস সম্রাজ্যগী মাঙোক্তু না লেপ্তুনা
মরৈবাক কনবা হোংনখিবগীদমক
মরৈবাক কনবা লাম্লৌ য়াওরুবগীদমক
সহিদ মীনার অমা শারে।

মীতৈ মচাশিংগী বাখলদা লাকই
মরৈবাক [illegible] থবাহি কথোকপা ওইবা,
কুমজা, কুমওন কয়া লাম্লকপা
চৎলিবা ২০শুবা শতাব্দী অসিদা
থোরকই সহিদ কয়া, ওইখি।

মতম অমদা মৈরাকী মাখোক
মনিং তম্লিংকী মাখোক ওইরবী
চাব-থকপগী অবাংপা লৈরমকে
হিংবগী অবা-পোৎলুম থোংলমদে।

অহুবু, ওসিদি
২০শুবা শতাব্দীগী লোইশিল্লকপদা

মীতৈ লৈবাক থোরকথি,
অৱাংপা কয়ানা থল্লবা লৈবাক ওইনা।

চাবা কংলক্কনী হায়রক্ত
১৯৬৫ গী ২৭শুবা আগষ্টতা
মীওই মরিগী থবাইনা পোক্লা ওইথি
মীতৈ লিশিং কয়াগী চরি হাপথিবগী
ঙাকংপি মীয়ামা মথোয়বু
ইকাইখুম্নবা উংথি 'সহিদ'
চেং-চাক্ তাংলকপা মতমদা।

মমিং ওন্থোকপা,
খুং চনশিনবগী বাঁধোক্ত
মীতৈ খুদিংগী কাচিন খুদিংমক্ত
লাংনরিবা পুজা তৌনরিবা
'সনামহি' লৈবাকসিগী অথৌইবা লাই
হায়গী লৈকমদা পুথোরক্কবা হোংনথিবা
মাংজিন থানা চংথিবা অহোনবা অনি
ঙসি 'সহিদ' ওইরে
'সনামহি' লেংথোরক্লা বোংনবকী হায়রক্ত।

ইকুই কুইদনা

ছাত্রশিংনা পরিক্ষা তৌবীহ্ন হায়দুনা
মীতোপ তাঙ্খোকপগা মরি লৈননা
চথরকপগী বাথোক্ত মীয়ামগী মাংজিন
থাহুনা চংখি 'নহা খরনু'

মীতোপ তাঙ্খোকপগা মরি লৈননা
চথরকপা স্কুলগী লিশাং শিংপা
কোচিং ওপরেসনগী মায়োক্ত অন্দোলন
মরাল লৈজনবা মীওইশিংবু ওং-নৈবগী
প্রতিবাদ সভাদা মাংজিন থানা
য়াইবী থাখিবা 'মো নহা'।

ময়াংলাংজিংগী বাথোক্ত
কোচিং ওপরেসনগী হাক্তক
শিখিবা য়াইবী মাংখিবা মীওই
মখোয়দু ওন্নকনি কোচিং ওপরেসনগী
মায়োক্ত নোংম নক্রগা নোংম 'সহিদ' ওইনা।

সহিদ, মায়োক্ত লেপ্লুবনি
মতম অহুগী লৈবাকী য়ায়েন্দা,
থবক্তা অয়ানবা খোঁদাং কয়াগী মায়োক্ত
ওসিন্নু—

লৈবাক অসিগী থৌদোক-বাথোক্তা
পেন্দবা নহায়োল কয়া—
ঙসিদি—
লৈবাক অসিগী মায়োক্ত লাল্হৌরিবা
থাই পান্মুদবা কয়া থোরক্লি
মথোয়স্থ নোংমদি ওইরকান,
ওইরকপা য়াই—'সহিদ'

মথোয়গী মথৌম-থবক্তা চুরবা
মথংগী মীয়োল অমনা
মথোয়গী মোংফমদা থিল্লগনি
মুংলরোইদবা, মাংলরোইদবা
মতমগী নোংলৈ থুংশিং কয়ানা
চামথোক চামথোক্লগা হেক্না লংলকদবা
সুভ্ কয়া, থুংঙাও কয়া
শক্লাইবশিংথুগী বারী লিনবা
মতমগী লাকদৌরিবা
অনৌবা মীয়োলদা

থাংপা কয়া মেনথংপদা
লৈরবা কয়াগী বাকংতা

থোরকখিবা বয়াগী সম্যসা
থেংনরবা কয়ানা ওইহল্লকখি
হায়বা ইন্দবা লালহৌবা
মায়োক্ক লেপ্পা, লিংজেন থাবা

পূম্নমক অসিন্দু সন্নাজগী থৌদা নি
মথোয়স্তু সহিদকী ইতিহাস য়াওছুনা
মরম চাবা পূম্নমকপু লৌখত্তুনা
সহিদকী ইতিহাস অমা থোংক্লগনি।

পেন্দবগী থবাইনা পোম্বা ওইবা
মবৈবাক্কী' থবাইবু কৈশু লৈতবা
শাম্নপোৎকুম থন্দোকপা
মীরোল কয়া থোরকপা ওইসন্থু
লৈবাক অসিগী য়াইফনবা॥

হায়রক্করপা হয়রাহে

অপাম্ববু কনানা থুংহনবা ঙমগ্রবগে ?
ঙমদববু কনানা হায়বা য়াওগ্রবগে ?
অপাম্ববু ফংনবা হায়বনি
অপিবস্থু ঙম্নবা হায়বনি ।

ওইরে ঙসিদি মমা-মপা,
লাইরবশিংগী লৈঙাক মপুনা
করি মতৌ কৌবগে
ওম-তৈন ঙাক্ত ওন—

চাকপু লাম্মী হায়রগা
ঈশিং হেকমক পিথকপা
লহু অমা চারগা
পুকপু থনবা য়াবরা ?

মৈবু মম্মী হায়রগা
চন্দন 'মুক্ত ঙালহনবা
থাজনা থৌবদি লেপ্পবা
ফিবু শেংকে হায়রগা
বোরা মচেৎ মশেংহন

লৈকম লৈতে হায়রম্না

মুখ্, শাবিয়ু হায়রগা
উকুলবু লৈয়ু মপান্নবা

মসিগী নখোয়না পিরিবা দাবী
ঐখোয়না তাক্লিবা দাবীগী মায়োক্তা

মসিদবু করম্বা থম্মোইনা পেনগনি
মীয়ামগী অকনবা দাবী লালহো
থক-তৈনবা বাখলদগী পোরক্লাখ
হুংশিনদবা—য়ানদবা
হুংশিদবা—য়ামদবা
ওইরক্‌ই থৎনবা।

বারী শানবা

হন্দোয়কউ নওশীনু ওথাই অমা
হন্দোয়কই মাশীনু ওথাই অমা
অছুগা মানবা পুরকনি
অনৌবা বারী শাবনি।

মানৈ অনিবা
শানৈ বারী অমগা অমগা
আন্দোলনশু লেপখো মতম খর
ময়ম চাম্রি হকিক লৌবা
ঐখোয়গী কাখিবনু থাদোকই
চংনজবা মজবা এক্ট কয়ামনু লৌখোকউ।

মানৈ অনিমা
আন্দোলন তোকই, পেকেটিং লেপই
কাখিবা থাদোকই, চংনদবা এক্ট লৌখোকই।

বারী শানৈ—
অমগা অমগা হাওবা অমা চনবা
বারী শানৈ—
থা মথাই অমা জৈকপা
বারী শানৈ

ম্নানবা পরিং হুম্নি
মঙং ভাবদি লৈতে
সর্ত ম্নাওদনা শানবা বারীনি
মীয়ামগী থাজবা থম্বা বারীনি।

থৈম্ন—
অরু-অরুবা বা লৈবাক মীয়াম
রেডিওদা থবরগী খোমলা পনখি পাও
ম্নানরকদবগী, বাতেম্নরকপগী
শানখিনি বারী
শানখিনি বারী
শানখিনি বারী
ম্নানবা অমা পুররুবা
বারী শানবা লেপখিরোই।
অনিমক থাংজিনগ্রবা খোঙথাংনি
থক হুন্দোক্লদে,
বারী শানখিনি।
বারী শানখিনি॥

ঈহৌ

মীয়ামগী অপাম্বা খুচংলি
মীয়ামগী অপাম্বা ফোংদোকই
পরিসিংগত কয়া তৌহনা
খবর কাগজ কয়াদা ফোংদোক্না
অশাম্বা চে কয়া চাইথোক্না
হীশিংলি ফকলাংদা
য়েকশিংলি মাগী মাগী সিম্বোল
মখোয় মখোয়গী অপাম্বা
মখোয় মখোয়গী অপাম্বা ।

লাওই মখোয়না মীয়ামদা
থংহনলি কবি পাম্বী মখোয়না
খবর কাগজ কয়াগী কলমদা
মখোয়গী ঈহৌবু শৌগত্না হই
মখোয়গী ঈহৌবু শৌগত্না হই ।

লাক্লিবা য়াওনসি লৈবাক অসিদা
অনৌবা য়াওননি লৈবাক অসিদা
অনৌবা য়াওননি লৈবাক অসিদা
মখোয়না পাম্বা দাবী পরেং

দাবী পরেং
দাবী পরেং
দাবী পরেং।

দাবীশিংগীদমক
অচৌবা রেলি কয়া পাংথোকই
পেকেটিং কয়া কয়া চথৈ
অফিস কয়া কয়া থুগাই।

লৈঙাক মপুম্বু
ঙাইখি য়াথং লুচিং পুরেলগী
ঙাইখি য়াথং,
তাওথরকপা আকাশবানী
ময়াই তাংবদা লৌরিবগী।

মীয়াম্না খঙখি
ঐখোয়দি পাওখোল্লোইগুম্বনি
লৈবাক মীয়ামগী করিম্বু ঙম্লোই
থুৎচুম চাম্বুনা ছিংবনি
থুয়া লেপ্তুনা লৈবনি।

কল্লক পেনথৈ হায়দোকই
হোটেলগী চা য়োনকম

লৈবাক অসিগী মীয়াম পুম্না
করিবু কায়ে, মীহুৎ ওইবগী
করিহু তৌবহু ওয়দনা
আইনগী থুজ্জিদি মীনা পাইরগা
ঐখোয়গী লৈভাক মপুদি
শগোলগুরানি, অচৌবা অওবগী
শাজৈজবু, মন্নাথংজবু ওাইজবা।

লাক্লবি, মীয়াম চংহুনা
নহারোল অহন্নোন পুন্দুনা
মচিন্নাক নত্তবা থাদোক্লবা
নহারোল কাংবুগী বাহৌ
মুপী কাংবুগী লাহৌ
মকম মকম থুদিংদা
মচি মচি থুদিংদা।

মীয়ান্না ঙাংনৈ, অচুম্বা লাক্লে
অমৌবা যুগ হৌরানি
থিংনবা পাইম্বে য়েংনরি
য়ুমদাংবনা কৈনাবা থোকখিদনবা
ঐখোয়গী লমদম
ঐখোয়গী ফুরুপকিনি

ঐখোয়গী ইচা-ইচু
ঐখোয়গী ফুরুপকী ওইগনি।

লমদম অসিগী চিঙ্গাক
ফুরুপ অসিগী চিঙ্গারি
লমদম অসিগী লাইনিং লম্বী
ফুরুপ অসিগী লাইনিং লম্বী
অনৌবা অপাম্বগী মহাওদা
কাওতুনা লৈরুরবা মীতৈ ফুরুপ অসিনা
অমুক হন্না হিংগৎনবা
লাকুরি মীয়াম পুন্না
হোৎনরি মীয়াম চাতুনা।

সুংশিরকপগুম তৌই হুজিক্কা
খঙ্গরকপগুম তৌহ মীৎকুপসিদা
মশাগী লাইনিং লিচৎ খুংশিরকপা
ঈহৌ আসি থুংলবদা
খেংলবা মতমদা হৌগৎলকপা
সুমিদাংবাইরমদা খোরকপা
তারমদাইগী মঙাল।

কপ্পি অহলতুনা
মখাং কোল্লবা মতমদা

লমজেম তান্নবা য়াওদোগিবা
খল্লুবদা শিন্থখিবা খঙহৌদে মীংকী পি।

য়ুম্বানবা হায়বাদ অথেংবা মতমদা
খঙলকই, অবাং অবা তম্মক
কবিনে; ঐখোয়না চাওখোকচবিবা
কাবিবু লৈবগে মীমাংদা পুখোক্লবা
নমান্নবা য়ুমলোন্নবগী মীমাংদা ?

লৈবাক অসিদা লৈবগী
কবিবু হুংভাইবা ফংলবগে ?
কবিবু চাবা ফংলবগে ?
কি বগী এত ভু য়াওব্রবা
আশা তৌনাব মীয়ান্না
অনৌব। ঈহৌ অসিনা
মপুং ফাবা অমা লাক্লবদা।

ঐখোয়না মঙাল অদুবু ভাইরি
মীয়াম্ন শুনঙ। ওইনা উহন্নবা
ঈহৌ অসিনা পুরকনি
অশেংবা লৈভাক মপু
মীয়ান্ন। য়াইফনবা থনবা মীহুৎ।

মীয়াম 'পুম্নমক্না 'অশির্ব্বাদ তৌনরি
ঈহৌ অসিবু মুংখিদনবা
ঈহৌ অসিগী মপাল তাং
লৈবাক্‌সিগী "অনৌ মপোক
মীয়াম্না তবাম্না ঙাইনরি
মীয়াম্না তবাম্না ওকনি ॥

কুংলকপা মীংচং

সহর অমদগী সহর অমা
নৈকাই অমদগী নৈকাই অমা
অসুম্না মী কয়ানা
অসুম্না মী কয়ানা
মাগী মমিং ঐগী ইমিং
মাগী মমিং ঐগী ইমিং
ইমিং-সিংদং নৈহোনবা
মমিং 'শুদং থম্হোনবা
চাবি, মীগী শরোং মীনা
শুমলি, মীবু শাংগম মীওনা
অসুম্না ওম্না মীওনা
ওইথি নৈবাক্তুগী নিংথৌবেল।

চসিকাওবদা থংদি থাজবা অমগী মখাম্না
মী হায়বা ঐখোয়না মী কয়া কয়াগী
হে থাজবা নংগী কাম্না কয়িনো?
মীপা মীপুগী মরক্তা খেন্দবিথিনা কয়িনো?
খেন্দবা নাম্না কয়িনো?
অচুবা অরাম্বা কয়িনো?

অমত্তনু খঙজদে
পৃন্নবকী বাংমদা থিরি ঐখোয় ঐখোয়না
ঐখোয়গী মীংচৎ, মীবু ওৎ-নৈহনা।

মীবু মীওইনা য়েংবা ঙমদবা
ওসিকাওবগী বায়ীনি, মসিনা মীংচৎ তানবগী
মীওইবনা পাম্মী মীংচত্তো', ভাঁইবং পানবা অসিদা
হৌখিবা ইতিহাস থিরুদে, ওইরকপা অহুত মথানৈ
অওকপনি মীওইবা, মীবু মীনা শম্নরিবা
অমবু ময়াম্মা থাজরিবা
ময়ামদা অমনা খোদারিবা॥

কাম্রদে খল্লগুমসি

ঐখোয় চীংথাদ লেপ্লুনা লাওরুই
চাওখৎপৈ চীংদোন্দা লেপ্লিব অমা
হে চাওখৎপৈ মীওই
সভ্য জগৎকী মীওই।

তাঞ্জা অসিদা
লাইয়েকপন্থুনা ঐহোন্দা লংশিল্লকখি
চম্মবা সমাজগী অয়েকপা শক্তম অমা
মৈথুগা মৈগা ভিন্নবা
মৈমিকপীদগী মৈজাওবী
. চম্মবা অনিগী মরক্তা
খঙহৌদনা ঐ কমথখি।

তাঞ্জাসিদা
কানি চাবন্থুনা চংশিল্লক্লুনা চিরোটৈরে
নাকোংদ তুমিন্না
মনাৎ য়াওনব্রবা তাইবং
মচৎ মাংব্রবা তাইবং
অচুম্বা লৈত্রবা মালেম
ধর্ম য়াওব্রবা সংসার

অসুয়া চাওখৎপবু পাম্নিব্রা
মশাগী Identity পূম্নমক যাংঙগা
Civilization গী মতোন লোয়নবা
চংলিবনি হায়ুছুনা চংলিবা
মসিদো মীওইবনা তায়রিবা ?

সাহিত্যগী রাজা

মতম লেংবি
অহৈ-অপা খারা নত্ত Critic শক
অনৌবা কবিগী মখুত্তিদ চত্থবা
ঙক্কাইহনা ঐ থকপি
ঐ থুজোক থুজোক
পেন্না থকচিনবি
ঐ থুজোক থুজোক।

থব তৈরকপা থবরদা লেংকনি—
মীগী না [মতৌ তন্না] ঐগী ওইখোকপা
কবিগী মউদা লিংলবা
বাখল বাইবা গধা খব
সাহিত্যগী বিপ্লবী থবনা
রাহৈগী লোংমৈ কাপশিন্দুনা
মশা কাওবা থিবা থংদনা
মাংহনখিবগী বারী
মাংহনলিবগী বারী
মতম অহুমা লাওরকপি
ওরং মপাউ অমনা
ঐত্ত লৈবাক লিনবা থুংনা

ভাদবা ভাহোঁয়ো, ভাহোঁবহ্ খণ্ডহোঁয়ো
পোকধ্বনি মীতৈ অশেবা কয়া
মপোক শায়োল অমা লৌছুমা
মপোক শায়োল
অমূক হয়। মপোক অমা।।

থাজবগীদমক

তারখিগনি থারী কয়া
অহুঙৈদগী থারী কয়া
তারকখিগনি অহুম্মক আ-তুং কাও
মীয়োল চায়োল থুথাংকাও।

খোজেং হানৈ পৃথ্বীদ—
থাজবগীদমক্ত, ঐখোয়গী লাইনা মখোয়গীদগী হেন্নি
যীশুনা অল্লাদগী, অল্লানসু যীশুদগী
পূন্নমক্কী কৃষ্ণন' থাজৈ হিন্দু কাংবুনা
পুন্নমক্কগীসু অমুক হেন্নি শিদবা মপুনা ঐখোয়গী।

মসিগী থায়মগীদমক য়েংখিনৈ
মীওইবা মশেল অমগা অমগা
মীওইবা মশেল অমগা অমগা
নোংমদি খোয়কখিনি শোয়দনা তাইবংদা
মীওইবা খুদিংগী পূকচেলনা অমত্তদা
লেপ্লবনি চপ য়ু না থম্মোই খুদিংদ
যীশু, আল্লা, কৃষ্ণ শিদবা মপু ....
বুদ্ধদেব, জৈন অসিনচিংবগী মমাই পানবা
অনৌবা ঈশ্বরগী শক্তম অমা.........
কনানা কয়িবু কনানা হেনবগে
কনানা কয়িবু কমদৌনা হেন্নবগে
হেন্নবম্বা খোক্লবদি অমগা অমগা
মালেমদা মীওইবা হিংলম্মোই
লাইগী লাল লোইহন্নিথে।

হিংনবা অমসুং থবক তৌনবা

ঐ (নাপল) হায়বসিনা কবিঙনা
মীওইবগী থম্মোইগা লায়নবা
হিংলমোই [illegible]বা মতৌশুম।

ঐনা মী হিংহল্লি
ঐনা মী শিহল্লি
ঐনা তৌই অনিমক
হিংবা শিবা অনিমক্।

ফমজিনপ্রবা মীওইবগী 'ঐ' শিং অসিদ
শৌদোকহনগনি মাপলগী অশাথা মৈশা লাং
মৈশা হেল্লক্রবা মীওইগী 'ঐ' শিং অসিদ
ফমজিনহনগনি উনশুম অইংবা মুংশিৎ লাং।

ওসি সোমোক লমকাওগী লমতুপ লমতুপ্ত
মী অমগা মী অমগী মথক মরক্ত
থাজনবা কয়া থাইনগী মাঙ্গল মাংলক্লিবা
থাজনবা কয়া মতমগী মাংদা মাংলক্লিবা
হৃদং হন্দা কল্লাওক কোয়চং চংচম্লিবা
ঐগী ঈপাল নখোয়ন তাংদ তাংজবননি।

ঙ্কিনবা অমসুং ৱবক তৌনবা

অৰ্থা কবিতাবা চিংলমজবা মৰম 'নিদা
নৈমি তাকবসু থঙজবা মকম 'নিদা
হি ৱাবনি মীওইবা
শিজবনি মীওইবা
তঙ্কন লেংদনা লেপ্লুবা নৈপনি।

হৌৱবা চহি চা কয়াদুগী
ঐনা মীওইবগী থবাই থাইবদে...... (ওইরম্লদ্রুনি)
লাকপৌবিবা চহি চা কয়াম 'কে মু' (কুনানা কোংথনৌবিবা
অমুমু —
মীথৌৱোলগী তাইবং শেৎপী কোর্কোকপা
পৃথীদ মীওইবা শেজ্রকপা
'লাই' কৌবা লাইছুগী
মন্ন (বিভ দি ঐনা ওইথিবনি।

ওসি —
থবাই মতা পা[illegible]
মীওইবগী মথক [illegible] কেথিনরিবা
কুহু অমুবগা [illegible] তৌবগা
তাং লেং[illegible] লেংদ্রবগা
আকল, [illegible], চৈত, ওঁম থাজলোকপিবা
পুৱক [illegible]থবনি 'ঐনা' চুহি মকপ ওইরিঙৈ
'মনা 'মগী মথক অহেনবা ৱাফমগী হায়রি।

ঐনা চঙশ্রবদা
লৈরাং খুদিং লৈহিনা থল্
লৈনম খুদিং লৈকাই লাল্
ফজবা পুম্বা উংকে থল্
মথোৌদাংদি উৎখোকই মতিং ফুক্
লৈরাং মতিক মঙাল ওয়ংঙম্
তনছক হুকপদা কোঙ্গোয়ন কোমগোম কোয়ন লৈরাং লৈ
লৈরাং লৈনম ভম্ন চন কেল্লি হেক্ক লৈরাং লৈ
মসিগু পুন্সি অমগী বারৌনি।

করাদ ইথৌনা লৈরবা
ইশঙ্ক ফজরকপনে, কুহূনা পান্নকপনে
চাওখাকচৈ ঐনা ঐগীদমক্ত মালেমসিদ;
ইপাঙ্গমা কররকপা, ইথৌনানা হেল্লবা
নহা ওইরকপা মতমদা, ঐগী মরুপ কয়ানা
লানঙম ফিরাল থেৎকেৎখন
চোংথোরকখি পরেং-পরেং অনগী মথংদ অমা
পৃথীবু থুম্বামঙ্গংদা থূহুম চেৎন পাইগে নিংব কাংবুন
শিংগি খুদিংমক পৃথ্বি কোংৰে ইনবা ওম্বগী
থৌনাগী ঐনা পাফল খুদিংমক শিম্না
অমুক্তং থুবামঙ্গংদ 'মীওইবশি' অমুক্তং
মসিগী মথৌনাস্থ শিবনি ঐনা নথোরদা।

অহুগা—
ঐনা অহল ওইশিল্লক্ক্না
কপ্পাক কুরু শুংলক্লবা
ঈথৌ ঈওম শাম্লক্লবা
খোঙনেংনহুনা চংখি ঐবু
মীয়ুংশি য়াওত্রবা বুদ্ধদেব, যীশু
কয়ানা ইরাইবক খিরবা
ঐগী লাম্মী তেঙ্গোলনদি
লান্দাবা ওনখিদে মখোয়গী মথক্ত
মাইথিবা ফংহুনা হল্লকই
মীয়ুংশি য়াওত্রবা মখোয়দগী।

লৈরম্বা তাই মখোয়দ
ঐগী লাম্মীগী থুহুম চম্ববা
জৌশংগী লাল্লোই হঞ্জবা কয়া
নহ্রগা—
করম্বা মখোয়গী নাউগুম ঈশৈদ
মুনখিবনো ঐগী হকচাংসে হেক্তমক
থগদে,
তুমথখি, ঊইথখি,
থৌনা থুদিংমক ময়াই চম্
কয়াদ হৈম্রব মখোয়গী ঈশৈনে ?

কাঙথোকথি মীওইবনা
ঊপাল তাংছুনা হিংজবনি ঐগী
কংথিবলি মিংচং নগ্রবদগী ঐগা
নগ্রথুংকম থিরকপদা ঐগী
অক-কস্ত থবক্রী নখেল থোঙবেংনছুনা
সৌথিং সৈবনা তাম্রি অরান খুভম
সৌথিং বাংপনা ইমাকথিরৈ ঐগা।

মলিবু ঐগী ইমারা
তাইবং মীমী মবারা;
মকমসিদা ইরুর পান্দুনা সৈবদগী
হিংমবা অমতুং থবক ত্তৌনবা
থিরিমথৈ মপাল তাংবনি সৌথিংগী।

১৯৮০ চুমথা

কয়িবুনো ঐখোয়না ইশিনগদৌরিবা ?
ঐখোয়গী লাক্লদা চনশিনগদৌরিবা
অনৌবা ইতিহাসকী লামাইদা
অনৌবা মীয়োলগী বাখলনা ।

হি মাই মূমগী বাখলনা চুমথা
মৈবাকী মায়েল [illegible] না
অকনা শাবা কাংবুম
অয়াবা পাৎসৈ কয়াগী
লৌনম চিরোলগী মতিক কুপ্পু
চৈতবনা লাক্লম চনশিন্নৌই হায়রগনিবরা ।

লিল জগোই শাবদা
মীয়ামা ইকোয় কোয়না লেংশিনখত্তম
মীতাবা কাংবুনা চুহি লেঙবদা
মীয়ামা ইকোয় কোয়না লেংলি
মৈবাকী অঙবক্ষু অমি থইরবোইরে ।

মশাগী মতু-মচাগী হুত্তোইনবা থমখা'
প্রকাশী খুৎচমন থাক্লবাদা, অতং-অশাং শাবা
শক্তি শাইবা কাংবুনা অয়াম পাৎসৈ শিজিন্নবা

লৈবাক পুবা অওম্বদি হুয়ানবা
হুয়ানবগী শরি পল্লোল লোয়রকপা
অওম্বশিংগী অনৌবা দিকিনিসিন অসি
কুম্বাবা অসিদা চনশিল্লোই হায়দনিবয়া ?

মীতৈদি লালদা থৌবনি, নোংশাগুম্বনি
লালদা থৌনা ফবনি
লালদা থবাই কথোকপ্রবা
মীতৈগী অথৌবা পুয়মক্তা
লৈবাকসিগী ভুপী অঙাং অহল লমন
নহারোল থিবিক্লা লৈরাং খুজোক কচ্চরি ॥


মনিপুরগী অরোইবা নিং তম লাল
খোংজোম লালগীদমক্ত কংনরি লৈরাং খুজোক
এপ্রিল ২৩দয়া, ২৫দবা মক্কম মরাং থংঙ্দনা
ঙরাংগী রেকোর্দফাওবা নিংথিনা খঙ্গবসু
চাওখোকচরি, পুয়া তবা ঐখোয়নি।

গরীবনিবাজ মহারাজ ম্না হাক্তা
পুয়া পুয়মক মৈরাইনপ্রবদা
মীতৈ পুয়মকী ইতিহাস লাইনিং
লাইশোল ভিনশোল পুয়মক

ঈথৈ অমা থাম্লহুনা চেম্ব্রাবা তুং
চহি ২০০ য়োমগী মতুংদা শাগৎলকই
মমি-শামি, মুংশি-মুংশি থাম্লম্বা থাওমৈদগী
মৈরা চাওনা চুখত্তুনা মথং-মথং
কুম্বাবা অসিদা চলশিনহৌনবা
পণ্ডিত শাবা কাংবুনা য়াখল লৌশিং অনৌবা
মশাগী মত কয়া কয়া হাপ্লহুনা
চুম্বা চুমদবগী য়াদি তম্লাইথোক।

ধর্ম্মগুরুগী চারোল শুম্লোল কম্লানা
ধর্ম্মদা হামুক তৈশিনবতা নত্তনা
মখোয়গী লৈকম-চাকম চংজকম পিরুবদগী
ওসিদগী য়ুমদাংবনা কৈনাবা ওইগ্রে
মনাইনা মপু শাখয়ে।
থবাই চাকপা য়ুম্বুগী মচাশিংনা
লাওরকই শিবা নাবা কিদমথৈ
মীতোপ চংগ্রো মীতোপ চংগ্রো
১৯৪৭ তা ১৯৬০ দা হায়বা য়াও
থওদে ঐখোয়গীদি অওবা মতমদা লাকপা মীতোপশিং
অওবা মতমদা লাকপা মীতোপশিং
ঐখোয় ওাক্তা লৈজহৌরগে
মসিবু কুম্বাবদা চনশিল্লোই হায়দলিবয়া?

অকবা ইরাওখোল নোংলৈ-মুংশিংকা লোয়মনা
হৌগৎলক্লিবা নহারোল কাংবু-কাংবু
থাইনথৈগী মখুভম হজিল্লিংহুবা
থাইনথৈগী ওমথৈ ওাকচনিংবা
থাইনথৈগী লৈওাক পামজক্লবা
অবা-অনা লৈরমবা থুমাইহুবু পাম্জক্লবা
মীথৈ নহারোল কাংবুনা নিঙ্গি তাথহুনা
পোক্লাওবী কাপ্তুনা পাথংবা পাক্ল-ন্য়েকপা
লাইওইরবা চিং লেম্বা কিমাল অহুবু
ইম্ফালগী কংলা মঙ্গুংদা চিং লেম্বা
মনিং তম্লা অহাংবা অতিয়াদা পাইজবহু
অমুক হন্ন ঊনিংঙকপগী অকনবা খোংজং, ঈহৌহুবু
চৈগ্তবনা কুম্বাবগী লাতমদা চনশিল্লোই হায়দসিবরা ?



সিফাই

সিফাই সেবা মখল অমনি
লৈবাক মীয়াম অসিগী
অবাবা তারকপা মতমদা
ঐখোয় লৈবাকী খোৗদাং করাদা।

ভশেংনা মরৈবাক সেবা তৌনিং
লানফম কয়াদ মাইরোং য়ানিং
ঙক য়োন্দুনা ফম কানিং
চংখিত্রা চংত্রবরা খঙদে।

সিফাইনি সিফাই সিফাই সিফাই
মুপা অঙাংনা কিবা সিফাই
য়েক্কবনা কিবরা কিদবরা খঙদে
সিফাইনি সিফাই সিফাই।

থবক ফংদবগী সিফাই থন
মীয়োং ওইবদগী সিফাই ওই
চানিংঙাই লৈতবদগী পুকচেল চাওখোৎলুনা
মরৈবাক সেবা তৌরি সিফাইনা।

লোইরবা।



মইবমী কোৎথুবা থবক—

● শৈরেং—

থম্মোই-ডেংবা
কেতুকী
বাংমদা
খুম্বেকপহুমী শৈরেং

● ড্রামা—

চিত্রকার
দুরন্ত
শ্রীগু
কৌওইবী
লংমাই পীতভা
ছোট খোম্বা
কৈদৌটৈ

● উপন্যাস—

কনানা হায়বিগনি
কনাদনো হুকদবা